## লেট্টর হেদ চৎনররোই

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৯ : মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) কী হান্নগী লেট্টর হেদ অমদি রিসিফ বুক ফেব্রুৱারি ৯ দগী চৎনরোই, অনৌবা লেট্টর হেদ অমদি রিসিফবুক ওইনা চৎন-রগনি হায়না এম এস এফ হেদ ওফিসকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এম বিদ্যানন্দনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## য়ুঙৌ ফারে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ : পাৎসোই পুলিসকী টিম অমনা ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তাবদা পুলিস ষ্টেসন অসিগী মমাংদা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা পেসেঞ্জর চেনবা ওটোরিক্সো অমদা পুরকপা য়ুঙৌ লিটর ৬০০ কা কোন্ননা মীওই অমা ফারে হায়রি। পুলিসনা য়ুঙৌগা কোন্ননা ফারবা নুপা অদুগী মমীং সোরাম কিরনজিৎ (৩৮) কৌই। মহাক খাইদেম ময়াই লৈকায়দা লৈবনি হায়রি।

## থাউ য়োল্লম্বা ৫ ফারে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ : শিংজমৈ পুলিসকী টিম অমনা সঙাইপ্রৌ, লংথবাল কুঞ্জ অমদি অতৈ মফম কয়াদা দ্রাইব চথবদা ব্লেক্তা পেট্রোল য়োল্লম্বা মীওই মঙা ফাগৎখ্রে। মখোয়দগী পেট্রোল লিটর ৪০ ফংই হায়রি। ফারবা মীওইশিং অদু কোর্টতা পুথোক্লগা লুপা লিশিং অমমম ফাইন থিহল্লগা থাদোকখ্রে হায়রি। অমরোমদা, থা অসিগী ৭ তা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থরোইজমদা য়ু ফাবা চৎপদা মফম অদুগী মীওইশিংনা মোব থোক্লকপদগী এক্সাইজ নুপী কন্সটেবল অমা শোকখি হায়রি।

## গঞ্জাগা কোন্ননা ফাখিবা টেঙ্কর...

*লামায় ১গী মখা...*মথক্তা অতোপ্পা কেস অমমুক লৌখৎখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, চৎলিবা থা অসিগী ৬কী অয়ুক পুং ৮.৩০ রোম তাবদা হান্না এ দি সী ওইরম্বা হৌজিক্লা জীরিবামগী জুদিসল মেজিষ্ট্রেটকী কোর্ট ওইরিবা অসিগী মমাঙ ওইরপ্পা নেসনল হায়ৱে-৩৭তা হাংবা ওইল পম্প অমগী মমাঙদগী ফাখিবনি। মমান্নবা গাড়ী পুম্নমক থাউ হাল্লগা চৎনখ্রবা মতুং ফাওবা গাড়ী অদু মফম অদুদা খামদুনা লৈবদগী পুলিস পার্সনেলশিংনা চিংনদুনা চেক তৌরুবদা গঞ্জাশিং অদু ফাখিবনি হায়রি।

## GAS TODAY

**ATHOKPAM INDANE (WANGJING & KHONGJOM)**
Booking Upto:13/10/2016
Valid From: 25/09/2016
***Stk:306***
Timing : 07:30am -10:00 am
*Submit Aadhar Xerox Copy.*

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking Upto:07/10/2016
Valid From: 30/09/2016
***Stk:576***
***19kg Commercial Stk:24***
Timing : 08:00am -10:30 am

**GBD INDANE, LAMLONG**
Booking Upto:10/09/2016
Valid From: 05/09/2016
***Stk:306***
Timing : 07:30am -11:00 am

**HRANGCHAL GAS AGENCY OLD LAMBULANE**
Booking Upto:09/11/2016
Valid From: 05/11/2016
***Stk:306 (DBTL)***
Timing : 07:30am -10:30 am

**KHORIPHABA, NAMBOL SL. NO UPTO. : 4491**
Booking Upto:30/09/2016
Valid From: 29/09/2016
***Stk:306***
Timing : 07:00am -09:30 am

**MM GAS SERVICE**
Booking Upto:12/10/2016
Valid From: 03/10/2016
***Stk:612 (DBTL)***
Timing : 07:00am -10:30 am

**MAHALAKSMI INDANE SL. NO.:2000017395**
Booking Upto: 02/11/2016
Valid From: 03/10/2016
***Stk:306 (DBTL)***
*Timing : 07:30am -10:30 am*

**MAIBIA GAS, MOIRANG SL.NO.: 12301 TO 12750**
Booking Upto:21/10/2016
***Stk:270***
***19kg Commercial Stk:24***
Timing : 07:00am -11:00 am

**MANIPUR GAS SERVICE SANGAKPHAM**
Booking Upto:05/10/2016
Valid From: 01/10/2016
***Stk:306 (DBTL)***
Timing : 07:30am -09:30 am

**MANIPUR POLICE GAS**
Booking on:11/11/2016
**(SL. NO. FROM 01 TO 150)**
Valid From: 06/11/2016
***Stk:306 (CTC & DNSC)***
Timing : 10:00am -01:00 pm

**MISAO GAS SERVICE**
Booking Upto:28/10/2016
valid From: 03/10/2016
***Stk:612***
Timing : 07:30am -11:00 am

**PATSOI INDANE SERVICE**
Booking Upto:13/01/2017
Valid From: 21/12/2016
***Stk:306 (DBTL)***
Timing : 07:30am -10:30 am

**M/S BASHIKHONG INDANE**
Booking Upto:30/11/2016
Valid From: 05/11/2016
***Stk:306 (DBTL)***
Timing : 07:00am -11:00 am

# খাইদেম প্রমোদিনী ২০১৬ অমসুং তায়েঞ্জম জয়ন্ত পোইট্রি এৱার্দ লান্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯(ঐচ এন এস): নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিটি ইম্ফালনা শীন্দুনা খাইদেম প্রমোদিনী মনা ২০১৬, তায়েঞ্জম জয়েন্ত পোইট্রি এৱার্দ ২০১৬ অমসুং মণিপুর ষ্টেট এৱার্দ ফোর লিটরেচর অমদি সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ ফংলবা অইবশিংবু ওকপগী থৌরম ঙসি নুংথিল দেব লিটরেচর সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ও নবকিশ্বর, আই এ এস, চীফ সেক্রেটরি, মণিপুরনা চীফ গেষ্ট; এল উপেন্দ্র, প্রসিদেন্ট, নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিটি ইম্ফালনা প্রসিদেন্ট অমসুং প্রো. হুইরেম বেহারি, কনভিনর, মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ, সাহিত্য একাদেমী ন্যু দিল্লিনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

খাইদেম প্রমোদিনী মনা ২০১৬ না *ৱারেপ* হায়না মিংথোনবা খোমজিনবা ৱারীমচাগী লাইরিক অসিগী অইবী হুইরোংবম বেনুবালাদা পীখ্রে অমদি *মাঙখ্রবা সহর লোইখ্রবা ৱারী* হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অসিগী অইবা রতন থিয়ামদা তায়েঞ্জম জয়েন্ত পোইট্রি এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুম্নখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট এৱার্দ ফোর লিটরেচর ২০১৫ ফংলকখ্রবা *নঙগা ঐগা অমত্তনি* হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা প্রো. এলাংবম দিনমণি অমসুং *চেপথরবা ঈশিং পুন* হায়না মিংথোনবা খোমজিনবা ৱারী মচাশিংগী লাইরিক্তা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ ২০১৬ ফংলকখ্রবা মোইরাংথেম রাজেনবুসু হরাও তয়াম্না ওকখি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা ও নবকিশ্বর, আই এ এসনা হায়খি, অতোপ্পা লমগী লোলগী ৱাহৈশিং শীজিন্নবা হায়বসি খুদোংথীনিংঙাই ওইবা থৌওং অমা নত্তে। অদুমওইনমক ঈশাগী লোল চাউখৎহনবনা হেন্না মরু ওই। সাহিত্য হায়বসি চাউখৎপা অমসুং সিভিলাইজেসনগী মরুওইবা শরুক অমনি। নোবেল ইরিবা মীওই খুদিংমক রিছার্স তৌবা তঙাইফদে। ৱাখলনা শাগৎপা অদু খক্তনা য়াদে। শেমজিন-শাজিনবদা য়ুম্ফম ওইবা নোবেল ওইবা তাই হায়না ফোঙদোকখি। নুংশি-নুংওনগী ওইবা লিচৎতা থোইদোক হেন্দোক্তবা মীওই অমনা নুংশি-নুংওনগী ওইবা লাইরিকশিং ইবদা মমি তাবা খরদি ৱাৎকনি। লমদম অসিগী লিটরেচরদা খোঙ্গারিবা মীওইশিংবু থৌগৎপীবা অমদি মনা-মথুম পীবা হায়বসি য়াম্না ফবা থবক অমনি। লিটরেচর তৌরিবশিংবু পূক্নিং থৌগৎপা অসি য়াম্না নুংঙাই। অমরোমদা, মালেমদা মমিং চৎলবা রতন থিয়ামগুম্না মীওই অমদা মনা পীজনবগী খুদোংচাবা ফংজবা অমদি অতৈ-অতৈ মনা ফংবীরিবা রাইটরশিংদসু মনা পীজবগী তাঞ্জা ফংবসি লাইবক ফবনি। লোল অমা চাউখৎপা হায়বসি ইশাগী লোলখক্তংং খঙনবা হোৎনরগা চাউখৎপা য়াবা নত্তে। অতৈ-অতৈ লৈবাক্কী লোল ময়াম হাপচিল্লগা লোলগী পূক্কে হেনগৎহন্দুনা ৱাহৈ মশীং য়াম্লিবমখৈ লোল চাউখৎকদৌরিবনি। গ্রিক, লেটিন, ফ্রেঞ্চ অমসুং জর্ম্মনিগুম্বা লোল ময়াম পূনশিল্লগা ইংলিশ হায়বা চাউখৎলবা লোল অসি ওইরিবনি। অইবশিংনা রিছার্স তৌবা সবজেক্টশিংদা খঙলগা ইরবদি অমুক্কা হেন্না ফজবা, মগুণ লৈবা ৱারী মচা অমসুং নোবেলশিং পুথোরকপা ঙমগনি হায়না মহাক্কা মখা তাখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা এল উপেন্দ্রনা হায়খি, মণিপুরী লোল অসি ইন্দিয়াগী ক্লাসিকেল লেংগ্বেজকী ষ্টেটসতা চলহন্নবা ক্রাইটরিয়াশিং মপুং ফানা লৈরবনি। মরম অদুনা মণিপুরী লোলগী পান্দম অসি ফংনবা প্রেসর গ্রুপ অমা ওইনা ঐখোয় পুন্না চঙশিনমিন্নসি।

খাইদেম প্রমোদিনী দেবী মনা ২০১৬ অমসুং তায়েঞ্জম জয়েন্ত পোইট্রি এৱার্দ অসিদা শেলগী মনা ওইনা লুপা ১০,০০০, শোল অমা সাইটেসন য়াওরি।

# লৈঙাক শেন্নকপদা তৃণমুলনা থৌদাং লৌরক্কনি : মুকুল রোয়

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৯ (ঐচএন এস) : তরামাথোইশুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লী মীখল মতুংদা লৈঙাক শেন্নকপদা তৃণমুল কোংগ্রেসনা অচৌবা থৌদাং লৌগনি হায়না ওল ইন্দিয়া তৃণমুল কোংগ্রেসকী নেসনল ভাইস প্রসিদেন্ট মুকুল রোয়না ঙসি মালোম তেরাখাদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা পোলিটিকেল কনফরেন্সতা ফোঙদোকখ্রে।

কনফরেন্স অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এ আই টি সীগী নেসনল ভাইস প্রসিদেন্ট মুকুল রোয়না হায়খি, ১১ শুবা এসেমব্লী মীখল অসিদা পার্টি অমত্তনা এবস্যুলুট মেজোরিটি ফংবা ঙমগনি থাজদে। পার্টিশিং পুনশিন্নবগী তাঙ্কক লাক্কনি। মীখল অসিগী মতুংদা লৈঙাক শেন্নকপদা তৃণমুল কোংগ্রেসনা অচৌবা থৌদাং লৌরক্কনি। মণিপুর এসেমব্লী মীখল অসিদা তৃণমুল কোংগ্রেসকী মীরেপ কয়া থাদোক্লব-গীদমক থৌরাং তৌরি। মীরেপশিং মায় পাকহন্নবা হোৎনরি।

মণিপুরদা তোঙান তোঙানবা ইস্যু কয়া লৈরি। আই এল পিগী ইস্যু অসিসু য়াম্না মরুওইবা অমনি। ব্লোকেদ মতম শাংনা চথদুনা লৈবা অমদি তোঙান তোঙানবা ইস্যু কয়া ষ্টেট অসিদা লৈরি। অসিগুম্বা ফীভম কয়া অসিদা মীয়াম্না অমত্তা ওইনা পুন্না খন্ন-নৈনবগী তাঙ্কক অদু লাক্লে।

বেঙ্গোলদা এ আই টি সীগী লুচিংবী মমতা বেনর্জীগী মখাদা থবক থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা চাউখৎ লমজেলদা য়াঙনা চঙশিল্লি। এদ্যুকেসন সেক্তরদসু ফ্রি এদ্যুকেসনগী থবক মায় পাক্লা পায়খৎপা ঙম্লে। হেল্‌থ সেক্তরদা য়েংলগসু মীয়ামগী অনা-লায়েংদা শেল ইচঙ চঙদনা লায়েংবগী খুদোংচাবা কয়া লৈরে। মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংগী ওইবা থবক কয়া পায়খৎপা ঙল্লি। মণিপুরদসু চাউখৎ থৌরাংদা য়াঙশিনবা ঙম্নবগীদমক হোৎনমিন্নবা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি।

কনফরেন্স অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীদা তৃণমুলগী মীরেপ ওইগদৌরিবা ডা. সোরাইশম মনাওতোননা হায়খি, মীয়ামগীদমক থম্মোয় শেংনা থবক তৌবা তৃণমুল পার্টিদা য়াওবা ফংবগী খুদোংচাবা ফংবদা নুংঙাইবা ফাওই। তৃণমুলবু লুচিংলিবী মমতা বেনর্জী মীয়ামগীদমক কথোক্তুনা থবক তৌবী লুচিংবীনি। অসিগুম্বা কথোক্লবা লুচিংবী অসিগী মখাদা তৃণমুলনা মীয়ামগীদমক ৱেষ্ট বেঙ্গোলদা য়াইফ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎলি।

মণিপুরদা তোঙান তোঙানবা ইস্যু কয়া লৈরবসু ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদনা লৈরি। মীয়াম্না অৱাবা কয়া মায়োক্নদুনা মতম শাংনা লাক্লি। ইকনমিক ব্লোকেদ চথরিবা অসিগী মতাংদা ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙমদে। মণিপুর লৈঙাক্কী ৱাফমবু থওইদবগী মওংদা লৈরি। লৈঙাক অসিনা শোনবদগী অসিগুম্বা ফীভম অসি লাক্লিবনি। তোঙান তোঙানবা ইস্যুশিং মতম চানা সোল্যুসন পুরক্তবনা ফীভম অসি ওইরক্লিবনি। ষ্টেট অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম কয়া অসিগী মতাংদা অমত্তা ওইনা খন্নমিন্নবা মথৌ তারে। মীয়ামগী য়াইফগদবা লৈঙাক অমা থম্না ঙম্নবগীদমক অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মণিপুর প্রদেশ তৃণমুল কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট টি রোবিন্দ্রো, ওল ইন্দিয়া তৃণমুল কোংগ্রেসকী থৌ পুবী ডা. অর্চনা মজুমদার অমদি সমরাদ তোপাদরসু শরুক য়াখি।

## মনোরঞ্জন বি জে পিদগী তোকখ্রে, এল জে পিদা মীরেপ ওইরগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ : ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) দগী মীরেপ ওইন্নবা থৌরাংলম্বা কম্যান্দ এরিয়া দিভ্লপমেন্ট ওথোরিটি (কাদা) গী হান্নগী এদিসনল চীফ এঞ্জিনিয়র ওইরম্বা কোন্থৌজম মনোরঞ্জন বি জে পিদগী তোকখ্রে। লোক জন শক্তি পার্টি (এল জে পি) দা মীরেপ ওইরগনি হায়না ঙসি লাউথোকখি।

কোঞ্জেং লৈকায়দা লৈবা মশাগী য়ুমদা ঙসি পাঙথোকখিবা পোলিটিকেল মীফম অমদা কোন্থৌজম মনোরঞ্জন এল জে পিদগী মীরেপ ওইরগনি হায়না পার্টি অসিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা লংথবাল এ সীগী এম এল এ করাম শ্যামনা লাউথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা ৱাঙ্গৈই এ সীদা এল জে পিগী মীরেপ ওইগদবা মোইরাংথেম থোইবা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীদা টার্ম অনীরক মীরেপ ওইরক্লবা য়ুম্নাম কালা অমসুং মেকোলাদগী সোসিএল ৱার্কর এস সনাজাওবনচিংবসু দেজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা কে মনোরঞ্জন্না হায়খি, লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৱাখল্লোনবু পামজরুবা অমদি লুচিংবা অসিনা পুরক্লিবা অহোংবা কয়া অসিদা তুংইন্নদুনা মীরেপ ওইননবা হোৎনজখিবনি অদুবু পার্টি অসিগী লুচিংবশিংগী অশোয়বা থৌইনশিন কয়াদগী পার্টি অসিগী টিকেট ফংখিদবনি খল্লি। অদুমকপু মীয়ামগী য়াইফনবা থৌদাং লৌনীংবগী ৱাখল্লোন অদু অহোংবা লৈত্রি। নাওরিয়া এ সীগী মীয়ামগা অফ-ফত্তা তান্নরবা মতুংদা সেন্তরদা লৈরিবা এন দি এ লৈঙাক্তসু য়াওরিবা এল জে পিদা মীরেপ ওইননবা ফিরেপ অসি লৌখিবনি।

## শরতচন্দ্র তৃণমুল কোংগ্রেসকী ৱাঙাঙলোয় ওইনা হাপখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ : লাক্লিবা ১১ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লী মীখলদা হৈঙাং এ সীদগী মীরেপ ওইগদৌরিবা পি শরতচন্দ্রবু মণিপুর প্রদেশ তৃণমুল কোংগ্রেসকী ৱাঙাঙলোয় হাপ্লে হায়না ওল ইন্দিয়া তৃণমুল কোংগ্রেসকী নেসনল ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা এম পি মুকুল রোয়না লাউথোকখ্রে।

হৈঙাংদা লৈবা পি শরতচন্দ্রগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা তৃণমুল কোংগ্রেসকী পোলিটিকেল কনফরেন্সতা শরুক য়ারদুনা মুকুল রোয়না হায়খি, হৌখিবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী মীখলদা তৃমুল কোংগ্রেসকী মীহুৎ তরেৎ মীখলদা মায় পাকখি। মতমদুদা মণিপুর মীয়াম্না থমখিবা থাজবা অদু হন্দক্কী মীখল অসিদসু থমদুনা তৃণমুল কোংগ্রেসকী মীহুৎশিংবু শোয়দনা থাগৎপীরক্কনি থাজে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা পি শরতচন্দ্রনা হায়খি, কোংগ্রেস অমসুং বি জে পি অসি শেঙ্গা-থুমজা খ্বাইদগী ৱাংনা তৌবা পোলিটিকেল পার্টিশিং ওইরল্লে। মরম অসিনা ইচম চমজনা হিংজরকপা, মীয়ামগীদমক থম্মোয় কথোকপগা লোয়ননা মীহৌবা লৈত্রবী মমতা বেনর্জীগী লীচিং মখাদা তৃণমুল কোংগ্রেসতগী মীরেপ ওইননবা ফিরেপ অসি লৌরকখিবনি। মীয়াম্নসু হৈঙাং এ সীদা তৃণমুল কোংগ্রেসপু শোয়দনা শৌগৎলক্কনি থাজে।

থৌরমদুদা মণিপুর প্রদেশ তৃণমুল কোংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ বিশ্বনাথ, পার্টি অসিগী নেসনল ওবজার্ভর সমরাট পোটাদার অমসুং পার্টি অসিগী মশক নাইবা লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি।

## নুপীমচা অমনা নুপামচা ১ কনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচ এন এস): কোংপাল লাইশ্রম লৈকায়গী লাইশ্রম লম্পাক্তা থা অসিগী ৪ গী নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা অঙাং ময়াম শান্নমিন্নবদা খুন্দ্রাকপম সনামতুম এলিয়স জেনুন (৫), অপোকপা সনায়াইমা মৈতৈ, কোংবা তুরেলদা তাশিনখিবদগী মহাক্কা শান্নমিন্না তখল্লেম্বম ইনাওবী (৫), অপোকপা রামেশ্বরনা মনাক নকপদা লৈবা মীওইশিং তাক্লবা মতুংদা তুরেলদা তাখিবা নুপামচা অদু কনখ্রে।

থৌনা ফবী, লৌশিং লৈবী নুপীমচা অসিগী তুংগী পুন্সিদা য়াইফবা ওইরসনু হায়না নেতাজি মেমোরিএল ক্লব, খুরাই কোংপালনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

## মোসন ওফ থেঙ্কসকী দিস্কসনদা শরুক য়াখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৯ (ঐচএন এস) : লোকসভা মীফমগী প্রসিদেন্ট এদ্রেসকী মোসন ওফ থেঙ্কসকী দিস্কসন্দা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সষ্টিট্যুএন্সিগী এম পি, ডা. থোকচোম মৈন্যসু শরুক য়াদুনা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখ্রে।

মোসন ওফ থেঙ্কসকী দিস্কসন্দা শরুক য়ারদুনা এম পি, ডা. টি মৈন্যনা হায়খি, চাউখৎলক্লিবা লৈবাক অসিদা সিটিজনশিংবু ইম্পৱার তৌবা হায়বসি মরুওইবা প্রাইওরিটি ওইগদবনি। লৈবাক অসিগী খুঙ্গংশিংদা অফবা স্কুলশিং থম্নবা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা মীৎয়েং চঙবীয়ু। অফবা স্কুলগীদমক স্কুল অদুগী শম্নবা লম্বীগী ফীভম ফবা, মৈ অমদি ঈশিংগী সপ্লাই মতিক চাবা ওজাশিং অমসুং স্কুলগী মতিক চাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং লৈবা মথৌ তাই।

য়ু এন সীনা মণিপুরদা ইকনমিক ব্লোকেদ চথবা থা অহুমলোম ফারক্লবা অসিদা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা হাংদোকপা ঙমদ্রি। পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং য়াওনা নোংমদা তঙাইফদনা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংগী মমল ৱাংখ্রে। লাইফ সেভিং দ্রগকী অৱাৎপা কয়াসু লৈরে। নেসনল হায়ৱেশিং অসিদা পুং ২৪ চুপ্পা পেসেঞ্জর গাড়ীশিং অমদি পোৎচৈ পুরিবা গাড়ীশিং নীংথিনা চৎপা য়ানবা দেদিকেটেদ নেসনল হায়ৱে প্রোটেক্সন সেক্যুরিটি ফোর্স লিংখৎপা মথৌ তারে। য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ষ্টেট লৈঙাক্তা মতেং পাংদুনা ফীভম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবীবা পাম্মী হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

## চীং অমসুং তমদা এল জে পিগী মীরেপ ৪৫ থাদোক্কনি : অমিৎ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ : লাক্কদৌরিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লি মীখলদা লোক জনশক্তি পার্টি (এল জে পি)গী মীরেপ ৪৫ থাদোক্কনি হায়না পার্টি অসিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি অমিৎ সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

এল জে পিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি অমিৎ সিংহ অমদি এল জে পি, মণিপুর ষ্টেটকী সেক্রেটরি অথোকপম কিশ্বর সিংহনা পার্টিগী হায় কমান্দশিংগা মীখলগী ৱারী শানরুরবা মতুং ঙসি ইম্ফালদা লাকখ্রে। ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখিবা অমিৎ সিংহ অমদি য়াইস্কুল এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী (এ সী)দা পার্টি অসিগী মীরেপ ওইগদৌরিবা এ কিশ্বর মীয়াম্না তরাম্না ওকপগা লোয়ননা য়াইস্কুল এ সীদা রেল্লি অমসু চৎখি।

খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা পার্টি অসিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি অমিৎ সিংহনা হায়খি, সিট ৬০ লৈবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লি মীখলদা পার্টি অসিগী ওইনা সিট ৪৫দা মীরেপ পুথোক্কনি। সেন্ট্রেল হায় কম্যান্দগা মীখল অসিগী মতাংদা কুপ্পা ৱারী শানরে। থা অসিগী অরোইবা চয়োলদা পার্টি অসিগী লূচিংবশিং ষ্টেট অসিদা লাক্কনি। মখোয় লাক্লিঙৈদা মহাক হান্না থারকপনি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা পার্টি অসি অতোপ্পা পার্টি অমত্তগা চৎমিন্নরোই। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টদা পার্টি অসি য়াওবনা মীখল মতুংদা করি ওইরক্কদগে হায়বদু হৌজিকমক্কী ওইনা লেপথোক্ত্রি। মীখল অসিদা পার্টি অসি চাউনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। ঙরাং অহানবা ফেজগী ওইনা মীরেপ ১১গী মিং লাউথোকখ্রে।

## চয়োল ১ চুপ্পা প্রোটেষ্ট তৌবীয়ু : মাওইষ্ট

*ঙরাংগী মখা...* ব্লোকেদ অসি লোইখিবা তারগদি শেঙ্গা-থুমজা চথবগী ৱাথোক য়াওনা ৱাথোক কয়াগী চোংথোরকপদা খুম্নিংঙাই পাউখুম অমফাওবা লৈরোইদবনা মরম ওইরগা কোংগ্রেসনা ব্লোকেদ অসি লোইশিনবা পামদবনি। কুমজা ২০১১ দা নুমীৎ ১২০ ব্লোকেদ চথদুনা ৱাথোক ওইখিবা দিষ্ট্রিক্ট শেক্সী ৱাফমবু ৱাথোক অদুগী ৱারোইশিন অমফাওবা পুরকপা তৌদনা অহিং অমদা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেমদুনা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা য়াদনবা লৈঙাক অসিনা অতম্না শিনখিবনি হায়বসি মীয়াম্না শেংনা খঙলে হায়রি।

য়েলহৌমী কন্নবা হোৎনবা হায়বসি মণিপুর মীয়ামগী অপূনবা ইহুলনি। ইহুল অসিবু শিংনরিবসি মীওই খুজোক খক্তনি। পুংফম অসিদা কোংগ্রেস পার্টিনা মীয়ামগী ইহুল খঙদনা য়েলহৌমী নত্তবা মীওই অমবু ভোট লেপহল্লকপা হায়বসি মণিপুরদগী য়েলহৌমী মুখৎনবা হোৎনবগা পাঙ্খকনি। মণিপুর মীয়াম্না য়েলহৌমী কন্নবা হোৎনবসি অচুম্বা খোঙথাং অমনি। খোঙথাং অসিবু শিংনদুনা য়েলহৌমী নত্তবা মীওই অসিবু কোংগ্রেস পার্টিনা ভোট লেপহল্লকপা হায়বসি য়েলহৌমী মুখৎনবা থৌশিলনি।

থা অসিগী ১০ দা মৈরাগী খোঙচৎ চৎলগা থা অসিগী ১১ দা শিঙ্থা লেপ্পুনা নুমীদাং মৈরা খোঙচৎ চৎকনি হায়না লেপ্পলম্বা অদুগী মহুত্তা ঈহৌ অসি মণিপুর মীয়ামদা খুৎশিন্নরে। থা অসিগী ১১ দগী হৌরগা ১৮ ফাওবা চয়োল অমা চুপ্পা মীয়াম্না অপাম্বা মখলগী ঈহৌশিং চঙশিনবীয়ু। মৈরা খোঙচৎ চৎপা, ৱাকৎ মীফম ফম্বা, লম্বী থিংবা, শিঙ্থা লেপ্পা, অমদি মখল খুদিংমক্কী খোঙজংশিং চঙশিনবীয়ু। মীয়াম্না সী এস ও অমদি লালহৌবদা ইন্থোকপগী মহুত্তা থৌদাং অদু অমত্তা ওইনা লৌমিন্ন-রসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## মণিপুর য়াওনা ষ্টেট...

*লামায় ১গী মখা...*পীথোক-পীশিন পান্নবগী মহুত্তা গাইখাঙমনা মশাগী ভোট কানবা হান্না হোৎনবীয়ু। বি জে পিদগী টিকেট ফংদ্রে হায়দুনা থোকখিবা য়াওরবসু পার্টি অসিগী মপাঙ্গল শোন্থবা অমদি অকায়বা অমত্তা লৈতে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা কৈরাও এ সীদগী বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা এল রামেশ্বরনা হায়খি, হীরম কয়াদা শোত্থদুনা লৈরিবা কৈরাও সীবু চাউখৎপা পুরক্কবগী পান্দমদা মীখল অসি থেংনবনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী লায়রবা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা পায়খৎলিবা থবক থৌরম কয়াদা থাজবা থমদুনা এ সী অসি চাউখৎহন্নবা মীয়ামগা পুন্না চৎমিন্নগনি।

থৌরমদুদা বি জে পিগী নোর্থ ইষ্ট ইন-চার্জ অজয় জমাল য়াওনা পার্টি অসিগী লূচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি।

## য়াথং ঙাক্তুবদি কন্টেম্প ওফ কোর্টস...

*লামায় ১গী মখা...* গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী কম্মিস্নার কম সেক্রেটরিনা ইন্দবা থোক্লবদি কন্টেম্প ওফ কোর্টস এক্তকী মখাদা কোর্টকী য়াথং ইন্দবগীদমক মতিক চাবা থবক লৌখৎলগনি। মখা তাবা হিয়ারিং থা অসিগী ১৬তা পাঙথোক্কনি হায়রি।

পিটিসনরগী মায়কৈদা সিনিয়ার এদভোকেট আই ললিতকুমার, সিনিয়ার এদভোকেট খাইদেম মণি, সিনিয়ার এদভোকেট ঐচ এস পাউনম, সিনিয়ার এদভোকেট বি পি শাহু, এদভোকেট এম হেমচন্দ্র, এদভোকেট ৱাই নিরমোলচন্দ্র, এদভোকেট অহন্থেম রোমেনকুমার (রিটয়ার্দ আই পি এস), এদভোকেট টি ঐচ রোসন অমসুং এদভোকেট ফুংয়ো জিংখৈনা লেপখি। রেস্পোন্দেন্টকী মায়কৈদা মণিপুরগী এদভোকেট জেনরেল, সিনিয়ার এদভোকেট এন কুমারজিৎ অমসুং এসিষ্টেন্ট সোলিসিটর জেনরেল এস রুপচন্দ্রনা লেপখি।

## শেঙ্গা-থুমজানা লাকহৎলবা খুন্নাই...

*লামায় ১গী মখা...*মরক্তা ঈকায়খুম্নবা উৎনবা অমদি চাউখৎপা লমদম অমা ওইহল্লসি। হায়রিবা থৌদাংশিং অসি মপুং ফানা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা মীয়ামগী মীহুৎ ওইহন্দুনা খুন্নাই অসিবু শেমগৎপগী তাঞ্জা অদু পীবীয়ু হায়না পোৎশংবম ধনকুমারনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পোলিটিকেল কনভেন্সন অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা এন ঈ আই দি পিগী প্রসিদেন্ট নারেংবম সমর্জিৎনা হায়খি, মণিপুর য়াওনা শোত্থদুনা লৈরিবা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিং অসি থোং মান্ননা চাউখৎমিন্নদুনা মফমশিং অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী অফবা পুন্সিরোল অমা পুরক্লবগী পান্দমদা এন ঈ আই দি পি অসি শাফোঙলকখিবনি। তুংলমচৎকীদমক অফবা অহোংবা অমা পুরকসি হায়রবদি পোলিটিকেল কন্সেপ্টসু হোংদোকপা মথৌ তাই। মসিগীদমক হৌজিক লৈরিবা পোলিটিকেল কলচর অসি হোংদোকহনবা মথৌ তারে। পোলিটিকেল কলচর অসি হোংদোকহন্নবগীদমক ঐখোয়গী পাঙ্গল লিংজেল পুথোক্তুনা হোৎনবা মতম ওইরে খনবদগী এন ঈ আই দি পি অসি থোরকখিবনি। এন ঈ আই দি পিনা থোরক্লিবা অসি মরম চাদে হায়রবদি ওপন প্লেটফোর্ম অমদা লাকপীয়ু। মদুগী মতিক চাবা পাউখুম পীনবগীদমক পার্টি অসি শেম শাদুনা লৈ। পোলিটিক্স হায়বসি পুন্সিগী শরুক অমনি, গেম নত্তে। পার্টি অসি মীয়ামগী খোল্লাউ অমনি। মরম অসিনা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবশিং, মীপুম খুদিংমক্না পার্টি অসিদা য়াওবীরো হায়নসু আপিলসু তৌখি। ঐখোয় করম্না মায় পাকমিন্নবা য়াবগে হায়বদু য়েংলগা মাঙলোমদা চঙশিল্লসি।

লমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক হেন্না চাউখৎননবগীদমক দিভলপমেন্ট হায়বসি লৈহনবা মথৌ তাই। হীরম খুদিংদা অফবা অওনবা পুরকপা চঙই। চাউখৎপা পুরক্লবা মতমদতা অমগা অমগগী মরক্তা থাজনরক্কনি। থাজবা অদু লৈরক্লবা মতমদা লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমকসু নুংশি-চান্নবা হিংবা ঙমগনি। মতমদুদা লমদম অসিদা ঈং-তপ্পা মফম অমা ওইহনবা ঙমগনি থাজে হায়নসু সমর্জিৎনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা এন ঈ আই দি পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট এলাংবম ব্রোজেন্দ্রো, পার্টি অসিগী স্পোক্সপার্সন সাপম কুঞ্জকিশ্বর এলিয়স কেবা, স্পোক্সপার্সন য়ুম্নাম নবচন্দ্র, স্পোক্সপার্সন নিঙোম্বম নিলকুমার অমদি পার্টি অসিদগী ৱাবগাই এ সীদা মীরেপ ওইগদৌরিবা ময়েংবম রঞ্জিৎসু শরুক য়াখি।

## গঞ্জা কেজি ৫৫ ফারে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ : ইম্ফাল ৱেষ্ট নার্কোটিক পুলিসকী টিম অমনা ঙসি নুমিদাং পুং ৭ রোম তাবা মতমদা গঞ্জা কেজি ৫৫ রোম কংলাতোংবীগী লম্বীগী নাকল্দা লৈবা মন্দির ময়াদগী ফারে হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না, ইম্ফাল ৱেষ্ট নার্কোটিক সেলগী কাঙবুনা মফম অদুদা গঞ্জা খরা অতোপ্পা মফমদা পুখিগদৌরে হায়বা অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী পুলিস টিম অদুনা খুদক্তা মফম অদুদা চংশিনখি। মদুংদা কংলাতোংবী লম্বীগী মনাক্তা গঞ্জা কেজি ৫৫ রোম লৈরম্বদগী ফাগৎপা ঙমখি অদুগা গঞ্জাগী মপুনা পুলিস লাকপা উবদগী অমন্বগী খুদোংচাবা লৌদুনা চেনখ্রে হায়রি। ঙসি মফম অদুদগী নার্কোটিক সেল পুলিসনা ফারবা গঞ্জাশিং অদু মালেমগী কৈথেলদা লুপা লাখ অনীরোমগী ভেল্যু ওইগনি।

অমরোমদা, ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ রোম তাবা মতমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট নার্কোটিক পুলিস টিম অসিমক্না শিংজমৈ অমদি কাঞ্চিপুর এরিয়াদা লৈবা ভেন্দরশিং দ্রাইব চথবদা য়ু লিটর ৫০ রোম ফাবা ঙম্লে হায়রি।

## য়েলহৌমী নত্তবদা টিকেট পীবা তরাইনা...

*লামায় ১গী মখা...* লাকপ্রা হায়বদু খঙদোক্লবা ঙরাংদা কংলাতোংবীদা উননবা হায়নবদা শোয়বদগী থা অসিগী ১১দা অমুক উননবা অমদি চে-চাং পুরক্লবা খঙহনখ্রে। কোংগ্রেস লৈঙাক্লা জে সী আই এল পি এস অমদি মণিপুর মীয়ামদা নমথাক তৌরিবসি হন্দোকপা চুমগনি। মীরেপ মশানা ৱিথদ্রো তৌবনা অফবা খোঙথাং ওইগনি। মণিপুরদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টি খূদিংমক্লা কুমজা ১৯৫১গী মতুংদা চঙলকপা মীতোপ মীয়ানচাশিংদা পার্টিগী টিকেট পীবিগনু। পার্টি খূদিংমক্কী মেনিফেষ্টোদা য়েলহৌমী কন্নবা হোৎনবদা চপ চাবা ফিরেপ লৌগনি হায়বা ৱাফমশিং হাপ্পীয়ু। ৱাফমশিং অসি হাপ্তবা পোলিটিকেল পার্টিশিং মীয়াম্না মশক খঙজিনবীয়ু। মীতোপ মীয়ানচাদা টিকেট পীবা হায়বসি মীখা পোন্না হিংনবা থৌরাংনি লৌই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## মার্চ ৮দা পাঙথোক্কদবা মীখলগী...

*লামায় ১গী মখা...* ৱাঙ্খেমযুম ব্রজবিধু, ২০-লংথবালদা এল জে পিগী করাম শ্যাম, বি জে পিগী ও জয়, আই এন সীগী লোইতোংবম তিলোতামানি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মীরেপ চে পীশিনখ্রবা মীওই অহুম অদুদি ২৪-নম্বোল এ সীদা আই এন সীগী নামৈরাকপম লোকেন, ২৫-ওইনাম এ সীদা ডো. ইরুংবম ইবোহলবী অমসুং ২৬-বিষ্ণুপুরদা কোন্থৌজম গোবিন্দাসনি।

অমরোমদা, মীখল অসিগা মরী লৈননা ঙসি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী দিরেক্টর জেনরেল সুদিপ জ্যেনগা সী ঈ ও মণিপুর, ষ্টেট পুলিস নোদেল ওফিসার, দি সীশিং অমসুং দিষ্ট্রিক্টশিংগী এস পিশিংগা ঙসি নুংথিল পুং ৪দগী নুমিদাংগী পুং ৭.৩০ ফাওবা ভীদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগা মরী লৈননা ৱারী শানখ্রে। ঈ সী ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি অয়ুক পুং ১১ তাবদা ইম্ফালগী ওল্ড সেক্রেটরিয়েট হোলদা রিকগ্নাইজ অমসুং রেজিষ্ট্রার তৌরবা পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎশিংগা মীখল অসিগী মতাংদা ৱারী শানখ্রে। পোলিটিকেল পার্টি মাপনগী মীহুৎ ১৪না মীফম অদুদা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা ইলেক্টোরেল রোল অপদেট তৌবা, সুবিধা সোফটৱায়র এপ্লিকেসন শীজিন্নবা, ঈ সী আর পি স্কিম, কেন্দিদেটশিংগী বেঙ্ক একাউন্টশিং হাংদোকপা অমসুং লো এন্দ ওর্দরগী মতাংদা খন্নখি হায়রি।

## এম পি এগী ৩০শুবা মপোক কুমওন...

*লামায় ১গী মখা...*এম চাউবা সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন অমদি সী ও ২৪১ বট্টালিয়ননা থৌরমগী প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইদুনা বট্টালিয়নগী লাম্মীশিংগা লোয়ননা পাঙথোকমিন্নখি হায়নসু চেরোল অসিনা হায়রি।

থৌরম অসি এম পি এগী ২৯১ বট্টালিয়ন, এক্সটর্নেল এফেয়র্স এন্দ রিজনেল এফেয়র্সকী য়ুনিটশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট য়ুনিটশিং, টেক্টিকেল য়ুনিটশিংদসু বট্টালিয়ন কম্মান্দর, দিষ্ট্রিক্ট সেক্রেটরিশিং অমদি য়ুনিট কম্মান্দরশিংনা চিংদুনা বট্টালিয়ন অমদি য়ুনিটকী লাম্মীশিংগা লোয়ননা পাঙথোকমিন্নখিসু হায়রি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ৩০শুবা মপোক কুমওন থৌরম অসিগী মপুং ওইবা শক্তমদি মণিপুর পিপল'স আর্মিগী ফিরাল চিংখৎতুনা ঈকায় খুম্নবা উৎপা, মণিপুরগী নিংতম লালহৌদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা ওইখ্রবা য়াওল্লোয়শিং, য়েক্লবগী মীওৎ-মীনৈদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা মীচম মীয়ামশিংগী মফমদা লৈ কৎপা, মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎপা, এম এ সী অমদি সী এসকী ৱারোল পাথোকপা অমসুং লোয়লম লৈঙাক্কী থৌওং থৌশিল নৈনবগা লোয়ননা হোংলক্লিবা ফীভমশিং অসি কূপ্না নৈনবগা লোয়ননা থৌনা ফনা কথোকপা য়েক্লবা ইন্দিয়াদা হেন্না শাফু পীগদবা লাঞ্জং চঙশিন্নবা, মীয়ামগী পূন্সি অমদি মপোৎ-মরল ঙাকপা শেন্নবগী অচেৎপা ফীরেপ অমুক্কা হন্না লৌমিন্নখিসু হায়রি।

কুমওন থৌরম অসি পাঙথোকপদা ৱাখল্লোনগী, পাঙ্গল অমদি শেলগী মতেং পাঙবীরকখিবা খুদিংমকপু য়ু এন এল এফ অমদি এম পি এনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।


## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংবাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।


তাং ১০-০২-২০১৭, ইরাই, ফাইরেনগী ১৪ নি পানবা, অয়ুক্কী পুং ০৭.৩০ দগী ১৫ নি পানবা, যোগিনি মায়কৈদি নোংচুপ, অয়ুক্কী পুং ০৭.৩০ দগী কৌব্রু




**মেষ** ঃ মরুপ মপাং চাউখৎপা, অকি অখঙ লাকপা লৈ, শাউনিংবা লাকপা, অনৌবা মীওইদগী মতেং ফংগনি।
লাল্লোল ঃ ঈশিংগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ নুংনাংবা পোকপা লৈগনি।
হকচাং ঃ কোক মায়দা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।




**বৃষ** ঃ ইমুংদা নুংঙাইজবা, লোয়নবা মখা থাবগা শাউনবা, নীংজবা থুংবা, কান্নবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ সনা লুপাগী থবক চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ মীনা তাথিবা, শাউনবা লৈগনি।
হকচাং ঃ কোক, মায় নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।




**মিথুন** ঃ লৈতাফম খঙদবা, নুংনাংবা, থবক মফমদা অয়েৎপা লাকপা, শেল চৎপা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ চানবা পোৎতা কান্নগনি, চাউখৎপা লৈ।
পাখং-লৈশা ঃ মরৌ লৈবা, ৱাহৈ পুথবা মতাংনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।



**কর্কট** ঃ মীনা পাউথোকপা, নুংনাংবা লৈরবসু কান্নবা লৈগনি, লন চঙবা, নুংঙাইবা মতাংনি।
লাল্লোল ঃ হীদাক্কী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ লোক অমদা কৈ অনী কুনবগুম্বনি, পূক্নিং তপথবীয়ু।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চা চন্দন।



**সিংহ** ঃ ইচিল ইনাওদগী মুক্লবা পীরকপা, মরুপনা য়েক্লবা ওইবা, বুধি লৌশিং ফগৎপা লৈ।
লাল্লোল ঃ অচা অথক্কী পোৎলম কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ পুক্তনা অমা ঙাঙথোকপনা অমা ওইগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ হিগোক, চিনি অঙৌবা।



**কন্যা**ঃ মরুপনা য়েংথিবা, থবক তৌবদা চনিং তাদবা, য়েংশিনবা য়াম্বা, অনৌবা পাউ লাক্কনি।
লাল্লোল ঃ হিদান্নবা লৈগনি, শেলগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ পূক্নিং চেৎশিন্নবা মতাংনি।
হকচাং ঃ পুক্তা নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং : থোইদিং অঙৌবা, ঘী।




**তুলা**ঃ ৱাখল নুংঙাইতবা, মরী মতাগী নুংঙাইতবা পাউ লাকপা, মীনা নুংশিবীবা ওইগনি।
লাল্লোল ঃ চাউখৎপা, মৈগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অনৌবা ৱাখল ফাওরকপা, নুংঙাইজবা লৈগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইতবা পীগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, ঘী।




**বৃশ্চিক** ঃ শাউনিংবনা অকায়বা ওইরকপা, য়ুমদা লৈনিংদবা চৎপদা নুংঙাইজবা, শেল চৎপা লাক্কনি।
লাল্লোল ঃ ঈশিংগী পোত্থোক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মীনা পাউথোকপা লৈগনি।
হকচাং ঃ মায় মীৎ নুংঙাইতবা পীগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।




**ধনু** ঃ মীৱা মৈশা লৈবা, লাংতক্লবা, পন্দুনা লৈবা থবক পাঙথোকপা ঙম্বা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ শেলগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অনৌবা মরুপ ফংজবা লৈ।
হকচাং ঃ মীৎতা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ চিনি অঙাঙবা, লৈ অঙাঙবা।



**মকর** ঃ নুংনাংবা লাকপা, ফুরুপ মান্নদবা মীওইদগী অয়েৎপা লাকপা, শেল চৎপা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ মীয়ামগী থবক থৌরমদা কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ শাগৈ নাতৈনা পাউথোকপা লৈগনি।
হকচাং ঃ খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, থোইদিং অমুবা।



**কুম্ভা** ঃ অৱা নুংঙাই য়ানগনি, মীনা পাউথোকপা, অরংবা পোৎ, লৌরী য়ুম্ফম লেপ্পা ঙম্বা লৈ।
লাল্লোল ঃ ফিরোলগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ চান্নবা হেনগনি, থাজনগনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।



**মিন** ঃ নিংদোন পোম্বা লৈ, মখা থাবা মীওইদগী ঈকায়বা নংবা, খোয়শাউনবা পীবা ওইরি।
লাল্লোল ঃ শেলগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ শাউনবা, ৱাখল খেন্নবা লৈগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু।
যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।